*“মী খরদি ওন্থোক্লা লায়রখ্রে, মখোয়গী লৈজরিবা হায়ববু পৈশাদা মঙাইরে।”*
- BOB MARLEY

# শৈরেং

## ঐখোয়গী পোক্নফম মণিপুর

— ডা. বি সী খুমনচা

হৌখ্রবা মতম অমদা
চেঙহি শম্বাল লাংদুনা
মোমোন-মীনোক তমদুনা
নাপদা নাচোম চিন্দুনা
খ্বাংদা সনাবুল পুরিবী
কংলৈ চনুরানি লাইবক ফবী।
কোক্তা কোকয়েৎ য়েৎতুনা
খ্বাংদা খুদৈ মতেক অমগা
লেঙজুমদা খূৎশু য়োৎপাক্লি
নোংমগী চরা তানবনি
লৌবুক মায়কৈ পাংলিবা
অকিবা পোক্তবা কংলৈ মপারি।
মীংশেলনি কংলৈচা ঐখোয়গী
মঙাল চাউবী লোক্তাক ইমা
পীল্লবা ঈথৎনি ঈমাই অদুদা
সঙাইগী শান্নজফম কৈবুল লমজাও
সিরোই লৈরাংনা ফুগাইনা শাৎচফম
উখ্রুলগী সিরোই চীংশাংনি
কেগে চীংগী নাপোমদা
খুভমনি অথৌবা কয়াগী
ইম্ফাল সহর ময়োলদা
কংলানি ঐখোয়গী শেংলবা।
ৱারীনরি ঙসিসি কয়ানা
নীংথিরম্মী-ফজরম্মী
চীংমীনা কোইনা পল শাবা
তম্মীনা কোইনা পল ঙাকপা
ঐখোয়গী পোক্নফম মণিপুর
হৌখ্রবা মতম অমদা
ঐখোয়গী পোক্নফম মণিপুর।

## মহয়নি ঐখোয়না শীংনরুবগী

— জ্ঞানন্দ নাওরেম

শীংনরুই মহৌশাগী ফজববু
মাঙহল্লুই উপাল-ৱাপাল কয়া
ওইজবা খরগীদমক ইশাগী
ফংলেদো চৈথেং ঙসিদি!!
ফত্তেদকো মীওইবা ঐখোয়সে
খল্লিঙৈ ঐ ঐহাক্কী
ফংমিন্নরে চৈথেং পূন্না
শীংনরুবগী মহৌশাগী ফজববু!!
কায়থরক্লি অঙীং-অশাগী খল
মহয়নি ঐখোয়না শীংনরুবগী
ফংজবা তাবনি শীংনরুবগী
মহৌশাগী ফজববু ঐখোয়না!!
ইন্থোক্লরি ঐগী মাগী
ৱাখল তামিন্নরসি ঐখোয়
মালেমসে মূৎখ্রগনি নোংমদি
লৈহৌররোই তাইবঙপানসিদা কনামত্তা!!

## ইপা ইপুনা থম্বীরম্মী

— ইরোম মোবি

ক্বাক ক্বাক
করি ক্বাকনো?
ময়াং ক্বাকনে
ঈশিং খুয়া অমত্তা থক্কে
থকফদে।
চাক চখোম অমত্তা চাজগে
চাফদে।
থক্তা কাগে
কাফরোই।
খাদা লিংকে
লিংফরোই।
নতুংদগীদু করিনো?
ইচা খোমদোনবীনি।
অদুদি অদু ওইনা চারগে
য়ারোই য়ারোই য়ারোই
হায়বা মতমদু য়ৌরবরা?

## কংলাগী নোংপোক থোঙ

— শ্রীকাংজম নন্দকুমার

কংলাগী উকোলদগী নুংশিরবা
শুরদা খোংলক্লিবা উচেক-ৱায়াশিংগী খোঞ্জেল
মবুক তপ্না চেন্থুরিবা ইম্ফাল তুরেলগী ঈচেল
লমথুংফম য়ৌদ্রিঙৈ মতৎ-মতৎ তৎলি।
কংলাগী নোংপোক থংবা থোঙ
অনৌবনি পূন্সিগী অনৌবনি
নুমিদাংৱাইরম অদুগী খোঙচৎ
মহাক ঐহাক্কী পূন্সি খোঙচৎ
অদুঙৈগী যৌবনগী মতম
বসন্তগী হৈপাল-লৈপাল খুদিংদা
অনৌবা য়েন্নিংনা মকা-লাম্না য়েংলকপা
য়েংলুবা খুদিংমক ইনৌতা নৌবা
মিৎয়েং অমগী, ৱাহৈ অমগী
ৱাহন্থোক্লা থল্লবা থম্মোয়দা মথুম
মরাং হৌহনখিবা, নুংশিখ্রেদা
নুমিদাংৱাইরম অদুনা অনৌবা অমগী
অনৌবা খোঙচৎ অমনি, মহাক্কী ঐহাক্কী
কংলাগী নোংপোক থংবা থোঙ
য়েংলুবগী খোঙচৎনি নুমিদাংৱাইরম অদুদা।

## করি খল্লি নুংশুক্লনা

— এম নিলকুমারি

চোইজাইনরে নুংশিবী ইমাগী শন্লাং
করি খল্লি নুংশুক্লনা
মরাল লৈজদ্রবা চুবাগী নাকলদা
খূৎশা মঙাগী চিন্তা পোৎলূম।
পরিং পরিংনি চোঙথোরক্লিবা মিৎমাংদা
শাথীরমাল্লে কুরু ক্ষেত্রগী লানফমদগী হেন্না
লাননি লান।
হৌদোং লম্বোইবনা
পেবেৎ মমাগী মমাঙদা তৌশিন্নবা মচা চাবা ফংনবা
শমু-ককা-লিলি ককা চোঙ চোঙদুনা লাকখিবা
লৌশিং চাউবী পেবেৎ মমানা মচাশিংবু
ইঙ্গিৎ অমনা ইচাশা ফ্রং
পাইখিবনি নোংমদোলদা
ৱাতোন উতোন লান্দুনা
অদুবু কুকি লানদি তূম্ফম চাফম লৈফম থিবা লাকপনি
ইমানা শন্লাং ফানা চেন্থোরকপা মচাশিংগীদমক্লি
করিবু হায়রুনি ষণবী-ষণনাও
হাকঞ্জবনি মচাশিংগী
চোইজাইনরে ইমাগী শন্লাং।

## অমুক্তদি পূনশিল্লসি

— কোকিল মৈতৈ

হে ইমা মণিপুর
ওন্থোক্লা নরাইবক থীখ্রেদা নহাকসে
কল্লকপা য়াম্মী য়েংথীবা য়াম্মী ‘ইমাবু’
‘করম্না ইমাবু কনগনি
ফুম্বংনৈ ৱাখল অসি খল্লুবদা’
কদোমদনো থাংগদৌরিবা খোঙথাং
চৎকদবা লম্বীসু লম্মাংনরে
অমম্বগী অমম্বা ঙাক্তা।
মশা মশাগীতনি খন্নরিবা
অমগা অমগা হুন্নরি
ঙাঙবা কল্লগা অচুম্বা শক্লরি
‘মানা মানা তৌবনা
অচুম্বনি অফবনি খন্নরি
শক্তি পায়বী তান্নরি’
লৈবাক মাঙবা মাঙদবা
খুদোংচাববু ফংলবা হুৎ ফেৎ ঙাক্তনিদো
লূপনা শৌগ্রী শৌগুম শৌরি
কখোকপগী মিংদা লৌশিনবীনি
খূৎকা চিনগা মান্নদে
পান্দমগা পন্থুংগা খৈন্নে
‘ঈরৈবাক ইজাতিবু কন্ননবা
ঐখোয় অমুক্তং পুনশিনমিন্নসি
অচৌবা তান্নবগী মহুৎ’
‘তমহল্লসি ‘অপূনবতনা’ ইমাবু মোমোন মীনোক’।

## নীংবগা তল্লম্বগী লীলা ফম্বাক্তা

— এল বিমোলচান্দ

ইদোম পূন্সিনা অঙাং ওইরিঙৈ
পু-পাং শুনা নাকোল্লকখিদে
পেন্দবতনা শুদৎপীরকখি ইমান্নবা মীরক তিল্লকপদা
ইনিং তল্লকখিদে শেৎপা-চাবা, ইহৈ তম্বদা
শাওরুদে কনাদা মলোম থম্বসু ঙমজদে
মপোক থীবৈ শীংদা চল্লম্বননি ইরাইবক্কীনি
খন্দুনা অসুম্না তাইবঙ লীলা য়াওরকখিবনি।
লাইনা য়াৎপা খয়াৎনি শিরোই খঙই
অফং-অফংবদা শূগনি-নোমগনি খন্না
হিংবগী মহাও থিরকই
পূন্সিগী মমল লেপ্পকই
নুঙাইবা আশাগী মপাল তাংলকই
নোংমদা পোকপা মচানা
নীনি শিগদ্রা খল্লকই।
পূক্নিংনা খোয়দাজবী খিবিক কায়নখ্রবদা
থিরকই ঐবু নুংশিবীবা ঐগুন্বী অমা
মাতদি মনীং থুংহল্লম্লগে খন্না মাগীদমক
পৈশিল্লে চীংগুম্না সনা-লুপা মনি-মুক্তা
মায়াগী সংসারনি অহেনবতা থিবীনি
শাওরুদে তাইবঙগী চৎনবী ওইরম্বনা।
ঙসিদি ঙম্না খঙলে মায়থীবা মশক
সিমসু খঙলে মায় পাকপগী খোঙহৌনি
কল্লক-য়েংথী য়াওদা মদোম ধ্যান তৌরিবা
মী-লাই হিংচাবা পূম্নমক
মপূ মাগী থৌইনশিন ওইরল্লে
তাইবঙ লীলা শান্নহনবা ওইরল্লে।

## ফম্বালদুগী মরুমদা

— ঙাংবম থবাতোম্বী

মীরোল কয়া কয়াগী পুৱারী
পূন্সি কয়াগী মশীং থিঙমদ্রবা খুনামশিং
থনম্মী ইতম্বাকথকসিদা;
হনখি নীংঙমদনা পূন্সি কয়া মোংফমথক্তা
লৈহৌই লোইশিনহৌদ্রবা ৱারীশিংনা
মায়কৈ লেপ্পা ঙমজদনা;
লাকই কয়াসু থৌদাং পুরদুনা
নুংঙাইবগী তাইবঙনি খন্না
নাওয়োকচরকখি অদুঙৈ নাওকোঞ্জরি ঙসিসু
ইন্থোকখিদে কনাবুসু ইথানুংসিদগী।
কুল্লাং পুরবা ঐগী ফিজিসিদা
ঈগী ঈরিক অমত্তং তৈবদা
উৎখিবনি থৌনা
মালেম অসে নিকপগুম
তুংওইনখিবনি অৱাংবা ফম্বাল
মমা নীংবা মচা কয়া কয়াদুনা;
ঙমখৈ অসে লৈরিক অমত্তা মাঙহন্দনা
ঙাক্লমখিবদাই,
লৈখোম তৈবা খুদৈ শেৎপা
চমোৎনরবা লেংবালদা
পোপু লাঙ্গোল লেংথোংনবা
নয়াম্বা নতোনশিংদুনা;
অদুবু ঙসিদি
অঙাংবা ঈতনা চোৎলবা
ঐগী ইন-ফিসি উরবসু,
চাওখৎপগী ফুরা দলানথক্তা
য়ারেক্লি নঙদি নিঙাইদনা
অৱাংবা ফম্বালগী মরুমদা
মমাগা মচাগা শকখঙনদবগুম!
নহাক্কী হু তৈরবা খূৎশাদুনা য়েক্লিবা
কাংখোং চাইরবা খুন্নাইসিগী
মঙক্তা থৌরী থুরবা
লৈতাদ্রবা থৱায়শিংগী শক্তমশিংনা
চৈনা খাঙবা উবদা
লৈক্রক চৎনা চেকখাইরবদসু
ঐগী থম্মোয়সে
উখিদ্রেনে নঙগী থৌনাদি মখোয়গুম্না।

মতম মতমগী ৱাখল

# ঐ ভাব তাদে নং তাও

“ঐ ভাব তাদে নং তাও ”ৱাহৈসি শুম্মাং লীলা অমদা হায়খিবনি। ৱাহৈসিদা নোক্লিংবা করিসু য়াওদে অদুবু পকচবা মীনা হায়রগদি নুংঙাইখি, তাবদা নোক্লিংহনখি। অতৈনা হায়খিবা নত্তে, নহারোল খোংথাং আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী মশক নাইখিবা শুম্মাং লীলাগী ফাগীরোই ধন্নবীরনা হায়খিবনি। নুংগী ওইবা ৱা ওইনা লৌরগসু ৱাখল খন্নিংঙাই য়াওরি। ঐ অমনা শোয়রসু অখঙবা মী অমদি ওইয়ু নৎত্রগা লৈয়ু হায়বগুম্বনি। লান্দবা, শোয়দবা ঙম্বা কনাসু লৈতে । নোংমা য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোই অমনা য়াম্না লুনা খল্লগা ৱাহং অমখক হংলকখি । মহাক্না খঙনিংলিবসি শগোল হায়রিবা শা অসি মচি পানব্রা হায়বসিনি । য়ূমদা লোইনবা ষন-অমদি ঈরোই মচি পাল্লি মীপূম খুদিংমক্লা খঙনৈ । মসিমসু খঙনৈ মদুদি য়ূমদা লোইনবা শাগোলশিংদি মচি পান্দে । ওজানা শাগোল মচি কয়া পাল্লি হংলকপদা, শাগোলদি মচি পান্দে খঙজরম্বা মহৈরোয় অদুনা, ওজানা হংলক্লিবসিদা শাগোল মচি পাল্লবগুম খন্দুনা ঙাইহাক চমম্নখি। ওজা অদুসু মখা তারকখিদে হায় ।





ইচুম চুম্না খঙজরিবা মহৈরোইদু ওজানা হায়রকপদা ওজানা হায়রগদি চুমলবা জাৎলা হায়না ৱাখলগী লংলানা পুল্লকখিবগী ৱানি । ওজাদি ফাগি তৌবা ওইরম্বসু য়াই। মহৈরোই অদুনা অমুক ওজানা হায়রিবসি ফগি নত্তে অচুম্বা ওইরমগনি, ওজাদি ফাগি তৌদে খঞ্জখি। ভাব তাদ্রিবসি ওজগা মহৈরোইগা অনীগী মরক্ত অমদি ওইরে । ওজানা ভাব তাদবগীনি হায়বদি লানগনি। ওজানা হায়রিবসি চাংয়েং তৌবা ওইরম্বসু য়াই । নাকন অমরোমদা, ওজানা হায়রবদি চুমলমগনি খঞ্জরিবা মহৈরোই অদুগীসু অরানবা ওইরোই ।

কনাগুম্বা মহৈরোই অমসু থেংনখি মদুদি মখোয়বু তম্বী তাকপীরিবা ওজানা হায়রগদি লোইনা চুমলে খঞ্জবা, ওজাদা থাজবা থমজবা, ওজা নীংবা মহৈরোইসু লৈরি । মণিপুরগী শাগোল অসি হৌজিক মরু ওইরক্লি । শাগোলগী মতাংদা ৱারী শারকপদা হৌজিক্কী মতমদা অখঙ-অহৈ অয়াম্বনা মণিপুরগী পোনি হায়বা ৱাহৈসি তোয়না শীজিন্নরে । মণিপুরগী পোনি হায়বসি শাগোলবু য়ূমশা অমা ওইনা লোইনজরিবশিং, শাগোল কাংজৈ শান্নরম্বা অহল-লমনশিংনদি হায়নখিদে । খুদম ওইনা-শাগোলগী মচু, মশক্কী মওং-মতৌ য়েংলগা শাগোল কারু, কাব্রং, মঙ্গেবী, লৈফোন হায়রগা খঙনরকই । কনাগুম্বনা মাগী মাগী লোইনরিবা শাগোলবু মমিং নুংশিনা থোন্নবসু লৈরি । কৈদৌনুংদা শাগোল মপুশিংনা মাগী শাগোলবু পোনিদি হায়নখিদে । মসি মতমগী ওল্লকপগনি। পোনি হাইবসিদি শাগোলগী মমিং নত্তে মাগী শাগৈ, শাগোল মখল অদুবুনি।

ঐখোয়গী মীওইশিং লম্মুক্লবা, লম্মাংনবসি কুইরে খঞ্জে । হৌজিকসি মীপূম খুদিংমক মীনা ঙাঙবা লোইবা ফাওব তাবা ঙম্নদে । কনাগুম্বা অখঙবা অমনা ৱা অমা ঙাঙবা হৌরকপদা, মরৈ হান্ন য়েৎকদবা, ৱাহং হান্না হংনীংবনা হান্নে । ৱাহংসু মরি লৈনদবা অয়াম্বা ওইগল্লি । “অদু ওইরসু” হেক হেক হায়নবা ৱাহৈদুনি। মীসিনা মরৈ য়েৎকে হায়নবু খল্লবদি য়াম্না লৈখ্রে ।

মতম অমদি ৱাশক্লবসি য়াম্না তৌনরম্মী। ঐনা হায়রিবসি হেক হায়জিন্নখ্রবা ইমা কম্বী ঙৌ চা শিগে । ইচা য়োকপা ঙমদনা মাঙখ্রগে । ইপা-ইপু নরক তাখ্রগে। অহীং মঙলাক্লরগা শিখিগে । লম্বী চৎপদা গাড়িনা তাক্লগা শিখ্রগে। য়ামখ্রে ৱাশক্লবদা শোন্নরিবা লাইশোনসি অঙকপনি। শিবগী পাউ অমত্তা তাখিদে । হৌজিক ৱাশকপা চৎনদে । মরৈ য়েৎপা ওইনা চৎনৈ । অমনা তৌবা থবক অমনা শিংথানদে । শিংথানদবগী মফমসি শেংখ্রবা মফম্নি হায়নরিবা এসেমব্লি হোলগুম্বা, পার্লিয়ামেন্ট হাউসশিং অসিদা ওইনা তৌনরকই। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা দিল্লিগী পার্লিয়ামেন্ট ফম্বসি পাউ তাবা নত্তনা উখিদে । হৌজিক্তি চাউখৎলকপসিনা পার্লিয়ামেন্ট মনুংদা, এসেমব্লি হোল মনুংদা উইবা ফাওবা উবা ফংলে ।

এসেমব্লি অমদি পার্লিয়ামেন্ট হাউসতা ফম্বীরিবা ইকায়খুম্নজরিবশিং অসি নাপাক নাপাক্লি । রুল্লিং অমদি ওপোজিসনগী মীওইশিংনি। মাইকৈ অনী ঙাঙনবদা অমনা অমগী মীচং চংনৈ । লাল্লবসু চুল্লবসু মীচং লোইনা চঙনৈ । হাউসকী মনুংদা ৱায়েল্লিবা স্পিকরনা খ্বাইদগী চাওরি । খঙদ্রিঙৈদদি, স্পিকর হায়বসি কনাগীসু মিচং চঙদবা ময়াইদা লেপ্পা কাবাদি তান্নবগী শান্নফম ফিল্ডগী সেন্টর লাইন অদুনি খনখি। স্পিকর অসিদি মতম মতম অদুগী রুল্লিংগী মাইকৈদা তোংগদবা ওইরম্মী । থক্সি-খাসি নাইবা, ৱাহৈ ফজবা ঙাঙনফম, অচুম্বগী অশেঙবা লাইশঙনি, লাইরৈবাক্কী লৈকোন অমগুম খল্লুই । মেডিয়ানা অশেংবা উহল্লকপা মতমদা থেংনখিবদদি ওন্থোকপা মফম অমা ওইনা লৈরমখি। হাউস মনুংদা থক্সি-খাসি য়াওনদে, অমনা ঙাঙবা অমনা তানদে । তানিংদ্রগা মপান থোকখিবা য়াই, লাওশিনবা য়াই। তূম্নিংবা উইনীংবা, ৱা ঙাঙদবা, ফম্বদমক ফম্বা লোইনা য়ারম্মী । সিটিং এলাওয়েন্সতি ফংগনি । লুপা মশীংদি খঙদে মমল লৈরমগনি। ঙাঙবসু ঙাঙদবসু, উইবসু ফংগদবা পৈশা এলাওয়েন্স চপ মন্নে । করিগুম্বদা লাওনরম্বদগী হৌগৎনরগা, খূৎ থানবসু য়ানরি। ফুনফম ফাওবা ওইখি । পার্লিয়ামেন্ট মনুংগী চৎন-কাঙলোন নীংথিনবা লৈরমগনি। ঐখোয়না কুপশিন্না খঙলুবদি ওইদে । ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইবীরিবা নরেন্দ্র মোদিনা ভোট কারকপগা লোইননা প্রাইম মিনিষ্টর ওইবগী অহানবা হাউসতা চঙলকপদা , থোংজিন্দা লাইবক কৎখিবা ঐখোয়না উজখি। মদু উখিবা মিৎকুপ্তা পার্লিয়ামেন্ট হাউস অসি অশেঙবা লাইশঙনি হায়না মীচম ঐখোয়দা ফাওখি। লৈবাক্কী অচুম্বা ৱা খন্নফম্নি, অফবা তৌরকফম্নি। চপ মান্নবা মীৎয়েংদা ইন্দিয়াগী ষ্টেট খুদিংমক্তা চাউখৎনবা মান্নবা মিৎয়েংদা খন্নবীরক্কনি খঞ্জখি। অদুবু খল্লুবা পূম্নমক্কী ওন্নবদা, হাউস অসি ওন্থোকপা মফম ওইনা মীফম ফম্বা খুদিংগী ঐখোয়না মেডিয়াদা উরি। হন্দক উখিবা অদুদি অঙকপদা অঙকপা অমনি।

হৌজিক্তি ময়েক শেংলে । ফজখ্রবা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী খ্বাইদগী ৱাংলবা পার্লিয়ামেন্ট হাউসকী মফম অসি য়েংহৈ তাহৈদ্রবা অমা ওইরক্লি। এম পি মশীং য়ামদবা অৱাং নোংপোক মাইকৈ অশোমগী শরুক্তি মফম অসিদা লৈতে । মসি কনাদা তাইনগনি । কনানা ওইহনবনো ? হন্দক মীয়ামগী মরক্তা পেন্দবদগী পংঙাঙ ঙাঙনৈ, ঐখোয়গী হান্নগী নীংতম্বা তোখায়না লৈবা লমদম অদুদা অমুক ওইনবা তাল্লসি। মদু ফৈ নৎত্রগা ফত্তে হায়বা ইতীক ওইদে । স্বাইসিদনি শুম্মাং লালা ফাগীরোই ধন্নবীরগী “ ঐ ভাব তাদে নঙ তাও” হায়বা শুম্মাং লীলাগী ডাইলোগ অমা নীংশিংজরক্লিবসি । পেন্নদ্রবনিনা ৱা ঙাঙলকপা মতমদা তপ্পদি অমত্তা ঙাঙলক্লরোই। শঙ শঙদুনা ঙাঙলিবসি থম্মোয়নুংগী পেন্দ্রবা খোন্থোক ওইরকপগীনি। ওজাসু ভাব তারকত্রে, শাগোল মচি কয়া পনবগে হায়না মাগী মহৈরোইদা হংলিবসি ফাগী ওইরমদ্রে । মহৈরোই অদুনা অমুক ওজানা হায়রিবদো চুমলমগনি ওজাদি তাকপীবা ঙম্বনি, লোইনা খঙবনি হায়না লৌজরি। খ্বাইদগী চুম্বদি ৱা শুকঙাঙ ঙাঙদবা ওজা ওইরম্বনা চুমগদ্রা ? ঐ অমুক ভাব তাদে । ●

-মাখোনমনি মোংসাবা

ৱারী ককনাউ

# রাজেনগী ৱাশক

মীওইবা খুদিংমক তাইবঙসিদা শেন্বীবা মপূনা তাইবঙ মী ওইনা পোক্লুনবা থারকপদা মশা-মশাগী থাদোক্লবা য়াদবা হৈনবী অমমম লোয়নহল্লকই। কনাগুম্বা হৈশিংবা কাঙবুনা মতম চানা মদু লোকশিনহৌবা ঙম্বা অদুনা লেঙদবা মরল ওইদুনা খূৎপায় চেৎনা পায়নরিবনি। শানৌজম রাজেন (শাগৈগী মিং মান্নবা য়াওরল্লবসু ৱারৌবীনু, অদোম নৎচদে, ইজরিবগী কলমগী মুক্লা থোনখিবনি) সু শেন্বীবা মপূনা মাবু থারকপদা ওইদবা ঙাঙলুচো, হুরানবনা নঙগী শিনফম ওইরুচো হায়না থারকপগা চপ মান্নে। রাজেননা মমিৎ হেক পাংলকপদগী হৌনা হুরানবা হায়বসি শুংথা থাদোক্তনা লাক্লবনি। রাজেন মমিৎ-মনা য়াম শীংবগী মতিক মখূৎশু হৈ শিংই। খূৎশা হৈ শিংবা হায়বসি লাই শাবা, পোৎ চৈ শেম-শাবদগীচিংলগা কানবা শিনফমদা হায়বদি, হেন্দিক্রাফ্‌ট, ইন্দষ্ট্রিগুম্বদা হৈ শিংবা নত্তে। হুরানবদা, মীগী মপোৎ মচৈ য়েপ্পদা, ইশম শম্না মপূ খঙহন্দনা লোন্না লৌবগী থবক্তা হৈ শিংবগী ৱানি। অদুক হৈ শিংবা মখূৎ অদুনা মশাগী ইঙ্খোলদা মরোই পান্বী অমা থাবদা হৌবা নত্তে। মীনা হায়নবা পোৎ চৈ থাবদা খূৎ থুম্বা হায়দু নত্তে, হুরানবদা খূৎ থুম্বে ৱানি।

রাজেননা মরোল থোক্ত্রিঙৈ, মমাগী খোন্লাং থক্লিঙৈ মতমদগী তেক-তেক হুরানবগী থবকসি হৌজরক্লবনি। ইশেং শেংনা হায়রবদা ইহান হান্না মানা হুরানবসি, মমাগী মপোৎ ওইনা হুরানবদগী হৌজরক্লবনি। মানা পীক্তু পীক্লিঙৈদা অহিং অমা মবুক লামদুনা কপ্পল্লবদা মমানা মাবু মথাদা চিংশিল্লগা ফুরিৎ তাখৎলগা খোন্লাং ইনলম্বদগী মমাদি তূমথোকখ্রে। রাজেননা মমাগী খোন্লাং চিংনা-চিংনা মমাগী ঙকশমদা শিরিবা লুহোংবা নংননবা মমানা ৱাহেংবম লৈকায়গী কোনশঙদা শাবীখিবা সনাগী লিক্তু হেক থেংনরুরে। কোচিদু খরা কোম্লম্ব্রা কৈনো পীক্তু রাজেননা অমুক অনীরক চিংবদা কোক হেক লাক্লজাৎনি। লিক্তু পীক্লিবা রাজেনগী খূৎশাদা চেৎনা পায়শিল্লে। মতমদু রাজেনদু লৌশিং তাব্রা তাদব্রা অদুক হাউনা চিংলম্বা মমাগী খোন্লাংদুদগী থোক লৈথোক্লগা তূমথখ্রে।

নোং ঙাল্লে, রাজেনগী মমাদু ইরুজরুরগা থোরকপদা মশম হাৎকে হায়না মিংশেল মমাঙদা লেপ্পা মতমদা মঙক্তগী লিক্তু য়াওরমদ্রে। শ্বাই হেক লাউই। ফমুংদা লৈশিন্দুনা য়েংবদা তূল্লিবা মপুরোইবদু হেক উই। জ্বারগা খরা খরা ইচম-চম্না শান্নজবদুদা মানা শোয়দনা হুরাল্লমনি হায়দুনা নাখোকচরিবা মপুরোইবদু চিংখৎতুনা খোঞ্জাও হেক থানা লানগী মৈরি চুখৎলকই।

“কদাই থমখ্রে ঐগী সনাগী লিক্তো, পুথোরকউ”। ইঙক ঙক্লবা নুপাদু মমিৎ মনা খংশিং হেক শিংই। মাদি খঙদবনিনা অশেংবদু ইশেং শেংনা খঙদে হেক হায়জৈ। খোন কন্নরকপদগী ৱাজাও ওইরক্তুনা নুপাদুসু শাওরকপদগী ইরুজবদা ঙাইরিবী মাগী নুপীদুদা জ্বার চে চিংবদা চোকথরবা খূৎনা তিংথোক্লগা খূপাক অমুক অনীরক থারুই। শাওরবী রাজেন মমানা মপাম চৎলনি হায়না তূল্লিবা মচাদু চিংখৎলগা পোখৎকে তৌরুবদা রাজেনগী মখূৎ মচা খূৎশাদুনা লিক্তু পায়শিল্লগা লৈরমখিবনি। মপাম য়ৌরমদৌবা শম্নাদা হেক লিংপনি। শুমাইনা রাজেননা চাউরক্লবদা হুরানবা হায়বসি মাগী নুংঙাইজবী ওইনা লাকখ্রে। মঙোন্দা সি হুগদবনি, হুরোইদবনি হায়বা লৈতে, পোৎচাউ-পোৎপীক খায়দে। হুবদুনি মানা নুংঙাইরিসে।

মমৈদা মখোয় এ সীগী এম এল এনগা চানবীবদগী থিকা মচা-মচাগা তৌবা হৌরে। থিকা হায়সি মাগসু য়াম চান্নজরে, মরমদি সিসু হুরানবগী থবক্লি। থিকা তৌবা মীনা হুরানবা হৈত্রবা, গুন্দা শাবা ঙমদ্রবা অদুম মূৎলে। রাজেনদদি মদুগী মতিক-ময়াইদু পৈখৈ য়াওরম্বনা শেলসি জর-জর পায়খৎলক্লে। ইনাক খুনবা মচিন চৎপা হায়দু ওইরে। লেম পানা লৈরবদুদদি হুরানবগী থবকসি লেপ্পগে খল্লে। মানা তৌখিবা তেকচাক ময়ামদু কোকচনবা লাইফমশিংদা চৎলগা হৈ-রা, অথেনপোৎ, তরেৎ-শেঞ্জা কৎচদুনা খুরুমজৈ। নোংমদি মানা ঙমজবা খরা পুরক্তুনা কৎচগে হায়না লাইশঙ অমদা লাকপা মতমদা লাই পান্নরিবদু মখোঙ কন্না হামনীংলকপদগী লাইগী থোঙ লোনশিনগে তৌবা তাঞ্জা হেক ওইরম্মী। রাজেননা চঙলকপদু উবদা ‘কৎপীরম্মু’ হায়না হায়রম্মগা লাই পান্নবদু মনুং চঙনবা ফৈজোমদু তাখৎতুনা চেনখ্রে। রাজেননা মনীং তম্না মানা পুজরকপা পোৎ চৈদু কৎচরগা, মরু লুকথদুনা মপূক্লিং চেৎনা মানা মমাঙদা তৌখিবশিংদু ঙাকপীয়ু হায়না নীজৈ। খুরুম্বা লোইদুনা মমায় থাঙ্গৎলগা লাইদা য়েংখৎলকপদা লাইদুনা নোকফেৎ তৌরগা মাবু য়েংদুনা লৈরম্মী। লাইনা চানবীরে হায়না মবূক্লিংদা খঞ্জরিঙৈদা লাইদুগী ঙকশমদা থোল্লিবা সনা মানবা লিক্তু উরকই। মদু উরুবদা মাগী মমাঙঙৈগী নুংশিৎতু কাংখৎলক্তুনা হৌগৎলগা লাইদুগী ঙকশমদা থোল্লিবা লিক্তু লৌথোক্লগা থুনা থোরক্লগা হোবে-হোবে চৎখিবদু লাই পান্নবদুনা মশা ৱাই শংদোক্লুরগা থোরকপদা হেক উই।

লাই পান্নরিবদুনা থোঙ লোনগে হায়না চঙলকপদা লাইদুদা থোনবা লৈ পরেংনচিংবা কয়া চাইদুনা লৈরম্মী। লিক্তুসু য়াওরমদবা উই। লাই পান্নরিবদুনা খলহৌই-

“কমাই তৌরিজাৎনো? হৌজিক লাক্লম্বা নুপাদু রাজেন হায়দুনি, হুরানবদা মমিং চৎপনি, সনাগী লিকমকসু নত্তে, লিক্তুবু মানা লৌরমগদ্রনে, থুনদি চৎখিদা, মাবু শেলগা য়াম পায়রে হায়নবনিনে, কৈ তৌরিজাৎনো???” ●

- নরেন্দ্র নিঙোম্বা

## মীতৈগী পুয়া ‘নিঙ্‌থৌলোল্‌ লম্‌পুপা’
## (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(২২৭)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী লমাই অসিদা ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

য়োইবু খোইমোম লাইরেমমা লোইমোম ফৌওইবীগী। খোইনৌ মতা মঙামকনা। কারাল লমবুবা। থোংখোং পোৎথোকপগী মফমদা। তাংথদুনা লৈরুগে হায়না লাকপদা। খোইখঙনবী মতা মঙামককী। লাংলেল কোংয়াং চৈশুবু কনানা হেনবনো। অমগা অমগা য়েংনবদা লোইমোম ফৌওইবীগী কোংয়াঙ চৈশুনা মতাং অমা শাংবা হেললে। হায়না ৱাগী চৈশু মতাং অমবু ককলময়ে। অদু নুমিৎতগীবু ককময়াই ও। হায়না মিংকৌরময়ে। লাংলেল লমমাচুম ও। হায়না মিংথোল মিংকৌনখিবদি করি তৌখিবা নুমিৎতগীনো হায়রবদি। ●

## ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ'
## (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯲꯲꯷)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯂꯃꯥꯏ ꯑꯁꯤꯗꯥ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯂꯒꯅꯤ॥)

ꯌꯣꯏꯕꯨ ꯈꯣꯏꯃꯣꯝ ꯂꯥꯏꯔꯦꯃꯃꯥ ꯂꯣꯏꯃꯣꯝ ꯐꯧꯑꯣꯏꯕꯤꯒꯤ॥ ꯈꯣꯏꯅꯧ ꯃꯇꯥ ꯃꯉꯥꯝꯀꯅꯥ॥ ꯀꯥꯔꯥꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ॥ ꯊꯣꯡꯈꯣꯡ ꯄꯣꯠꯊꯣꯛꯄꯒꯤ ꯃꯐꯝꯗꯥ॥ ꯇꯥꯡꯊꯗꯨꯅꯥ ꯂꯩꯔꯨꯒꯦ ꯍꯥꯌꯅꯥ ꯂꯥꯛꯄꯗꯥ॥ ꯈꯣꯏꯈꯉꯅꯕꯤ ꯃꯇꯥ ꯃꯉꯥꯝꯀꯀꯤ॥ ꯂꯥꯡꯂꯦꯜ ꯀꯣꯡꯌꯥꯡ ꯆꯩꯁꯨꯕꯨ ꯀꯅꯥꯅꯥ ꯍꯦꯅꯕꯅꯣ॥ ꯑꯃꯒꯥ ꯑꯃꯒꯥ ꯌꯦꯡꯅꯕꯗꯥ ꯂꯣꯏꯃꯣꯝ ꯐꯧꯑꯣꯏꯕꯤꯒꯤ ꯀꯣꯡꯌꯥꯡ ꯆꯩꯁꯨꯅꯥ ꯃꯇꯥꯡ ꯑꯃꯥ ꯁꯥꯡꯕ ꯍꯦꯜꯂꯦ॥ ꯍꯥꯌꯅꯥ ꯋꯥꯒꯤ ꯆꯩꯁꯨ ꯃꯇꯥꯡ ꯑꯃꯕꯨ ꯀꯀꯂꯃꯌꯦ॥ ꯑꯗꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠꯇꯒꯤꯕꯨ ꯀꯀꯃꯌꯥꯏ ꯑꯣ॥ ꯍꯥꯌꯅꯥ ꯃꯤꯡꯀꯧꯔꯃꯌꯦ॥ ꯂꯥꯡꯂꯦꯜ ꯂꯝꯃꯥꯆꯨꯝ ꯑꯣ॥ ꯍꯥꯌꯅꯥ ꯃꯤꯡꯊꯣꯜ ꯃꯤꯡꯀꯧꯅꯈꯤꯕꯗꯤ ꯀꯔꯤ ꯇꯧꯈꯤꯕꯥ ꯅꯨꯃꯤꯠꯇꯒꯤꯅꯣ ꯍꯥꯌꯔꯕꯗꯤ॥ ●